HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)






Vol. 49, Issue No. 179 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, September 30, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা ঙমখৈদা লৈবা খুল ১৬কী চীফশিংনা কম্পেন্সেশন লৌরোই অমসুং কো-ওপরেশনসু পীরোই হায়দুনা লাউথোরক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লক্তুনা ষ্টেট অসিগী রিজার্ভ/প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টশিং কোকথোক্তুনা খুন্দাশিল্লক্লে হায়বা খক্তা নত্তনা মে ৩, ২০২৩দগী চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিদসু য়াওশিল্লক্তুনা টেররিষ্টকী থৌওংশিং চথরক্লে হায়বদগী মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা তম্পাক্কী মীওইশিংনা ইন্দো-ম্যান্মার পরিংদা শম্বল খাবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিনগদবনি হায়বা য়াওনা ঙমখৈ পরিং অসিদা চংনহল্লম্বা 'ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম' (এফ এম আর) সু লৌথোক্কদবনি হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌরকপদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা এফ এম আর চংনহনখিদবগা লোয়ননা শম্বল খাবগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা



তোঙান তোঙানবা খুল ১৬কী চীফশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অমা মীদিয়াদা থাদোরক্তুনা শম্বল খাবগী থবক অসিগীদমক মখোয়না কম্পেন্সেশন লৌরোই অমসুং কো-ওপরেশনসু পীরোই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরক্লে।

খুল ১৬ অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# অহিংদা সিফাইনা লানবন শারগা মোইবুং খুনৌদা ইভিক্সন তৌখ্রে

## সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ দিঙ্গো বোইকোট তৌখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ২৭তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মায়কৈদগী এস দি ও (লমশাং) না লুচিংবা ওফিশলশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নদুনা সেকমাই পি এসনা কোল্লিবা মোইবুং খুনৌদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোল য়াওনা ক্রিমেটোরিয়মনচিংবশিংবু এনক্রোচরনি হায়রদুনা ইভিক্সন তৌনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# চহী ১১গী নুপামচা ১ নোংমৈ মরূনা পাল্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা মালোম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মশাগী চহী ১১ খক্তা ঙাইহরিবা শগোলশেম মনিথোইবা অপোকপা এস বসন্ত কৌবা নুপামচা অমা কদোমদগী লাকপনো খঙহৌদবা নোংমৈ মরূ অমনা মহাক্কী ওইথংবা পাম্বোমদা পানবদগী রিমসতা লায়কন্নখ্রে।

মহাক শুমাংদা শান্নদুনা লৈরিঙৈদা থৌদোক অসি মায়োক্লখিবনি। অদুবু ফীভম লুনা শোক্তবদগী রিমসতা লায়েংলবা মতুংদা ময়ূমদা পুথরক্লে। থৌদোক থোকফমদা নম্বোল পুলিস লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে।

# মণিপুরদগী মীওই ২ মেঘালয়দা লুপা ক্রোর ২.৫গী হিরোইনগা কোন্নবা ফারে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :**

কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী মীওই ২ মেঘালয়দা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ২.৫গী মমল ওইগদবা হিরোইন গ্রাম ৫১২.৬৩গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মেঘালয় তম্না য়াল্লবা দ্রগশিং পুশিল্লক্লগনি হায়বা পাউদগী ষ্টেট অদুগী ৱেষ্ট জয়েন্তিয়া হিলস পুলিসনা ষ্টেট এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্সকা খূৎশম্নদুনা মেঘালয়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# এম পি বিমোলনা মণিপুর ফায়র সর্ভিসতা লাইফবোট অমসুং রেস্ক্যু ইক্বিপমেন্টশিং খূৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):** লোক সভাদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি মণিপুর ফায়র দিপার্টমেন্টতা লাইফবোট অমা য়াওনা লোয়শঙ অসিনা মী কনবগী থবক্তা শীজিন্ননবা মথৌ তাবা রেস্ক্যু ইক্বিপমেন্টশিং খূৎশিন্নখ্রে।



মণিপুর ফায়র সর্ভিসতা পোৎলমশিং অসি এম পি অসিগী কুম্মজা ২০২৫-২০২৬কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# গঞ্জা পুনবা হোৎনরম্বা নহা ২ এয়রপোর্টতগী ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯(ঐচএনএস):**

ইম্ফালদগী পাইগদবা ফ্লাইট অমদা তোংদুনা গঞ্জা কিলোগ্রাম ২১.৪২০ পুদুনা চৎননবা হোৎনরম্বা নহা অনী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি নাগামপাল লমাবম লৈকায়দগী লাইশ্রম বিকাস (২০) অমসুং তাকয়েল কোলোম লৈকায়, তাকয়েল মপালদগী ঙাংবম নেলশন মৈতৈ (১৯) কৌই হায়রি।

গঞ্জাশিং অসি মখোয়না লগেজ দা লোৎতুনা পুননবা হোৎনরম্বনি।

# লম্লাইগী এম এল এনা পৱার পায়দ্রে হায়রক্লবনিনা এম এল এ লৈত্রবসু য়ারব্রা : অচোইবম দেবেন



## তখেলথুম্বীদগী শঞ্জেনবম তাবা লম্বী খুঞ্জাশিংনা শেল খায়নরগা শেম্বা হৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):**

ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা খুরাই লম্লোং কৈথেলদগী নোংপোক পাংনা চৎলিবা তিন্সিদ লম্বী পরিংগী শঞ্জেনবম অমসুং তখেলথুম্বী হায়রিবা খুল ...মখা লমায় ৩ কলম ২




